# ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৭ শিখ্রে



অগরতলা, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং চাদা ১ য়ৌরে। নোংম-নোংমগী ফিভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা মীওই ১০০ পোজিটিভ ওইবগী মনুংদা মীওই অমমম শিরি।

লৈবাক্কী অপুনবা চাং অমসুং অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী চাংগা য়েংনবদা মী শিবগী চাং ৰাংলে। অৰাং নোংপোক লমদমগী ওইনসু মী শিবগী চাং ত্রিপুরানা খ্বাইদগী ৰাংলি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৮ দা ষ্টেট অসিগী শিবগী চাং চাদা ০.৮৩ ওইখি। ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ইকোন কোন্না থাদোরকপা রিপোর্টতা মী শিবগী চাং চাদা ১ য়ৌরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীশিং পুন্না ১৬৭ য়ৌরে। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা মীওই ১০৬ শিখিবনি। কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিংনা ১৬,৭৩৯ নি। এক্তিভ কেসনা ৬৫৫৪ নি। মীওই ৯৯৯৩ দি নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। ফগৎলকপগী চাং চাদা ৫৯.৭৮ ওইরে।

চৈরকসিদা জি বি হোস্পিটালগী মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা দোক্তর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লায়েংদুনা লৈরকখিবদু মখা তাবা লায়েং চথনবা কোলকতাদা পুখ্রে। দোক্তর অদু অগরতালাদগী কোলকতা ফাওবা এয়র এম্বুলেন্সতা পুখি।

ত্রিপুরাদা খ্বাইদগী মশক নাইবা মেদিসিন স্পেসলিষ্ট অমা ওইরিবা ডা. প্রদিপ ভোমিকপু নিংথৌকবা নুমিৎকী নুমিদাংদগী জি বি হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা থমদুনা লায়েংলকখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট লৈঙাক্না মহাকপু কোলকতাদা পুন্নবা হোৎনরবসু এয়রএম্বুলেন্স ফংদবনা তোকপা তাখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা দোক্তর অদু কোলকতাগী এপোলো গ্লেনইগল্স হোস্পিটালদা লায়েংলি। হকচাংদা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপা মরম্না পুং ২৪ চুপ্পা দোক্তর অদুবু ওক্সিজেনগী মতেং লৌরগা লায়েংলি। অগরতালা গভর্নমেন্ট মেদিকেল কোলেজদা প্রোফেসরসু ওইবা ডা. ভোমিক্না কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাখি।

# মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি সী এমনা ন্যু দিল্লিদা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ামরুম উনরি

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি):

মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমা অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিন্সোংনা ন্যু দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ামরুম উনদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমনগসু উনদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা নেসনল বেঙ্কশিংগী মতেং পাংবিনবা অমদি অনৌবা ব্রাঞ্চ কয়া হাংদোক্নবগী ৰাফম তকশিনখি। মরু ওইনা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা বেঙ্কিং সিষ্টেমগী খুদোংচাবা লৈহনবীনবা ৰাফম পুখৎখি। সেন্ট্রেল টেক্স ওইনা খোমগৎপা শেনফমদগী মেঘালয়াদা থাদগদবা শেনফম চাং হেনগৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা পুখৎখি।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর উনদুনা হৌজিক হৌজিক মেঘালয়াদা ওইরিবা শেল-থুমগা মরী লৈনবা ৰাফম পুখৎলবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স অনুরাগ থাকুরগসু উনখি। লোয়ননা ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা শেল থাদরকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

মীরৈবাক্তগী থাদরকপা শেনফমনা হৌজিক হৌজিক হেল্থ, টুরিজম অমসুং রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়ামরুম পায়খৎলিবনি।

সংমা অমসুং তিন্সোংনা অকোনবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর এনিমেল হজবেন্দ্রি, ফিসরিজ এন্দা দাইরিয়িং গিরিরাজ সিংহগা উনদুনা মেঘালয়াদা পায়খৎকদবা পিগরি অমদি ফিসরি প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। অকোনবদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেভি ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ পব্লিক ইন্টরপ্রাজেজ অর্জুন এম মেঘৱালগা উনদুনা ইলিক্ট্রিক ভেহিকল শীজিন্নবা য়াওনা ৰাফম কয়া খন্নখি।

চীফ মিনিষ্টর কে সংমানা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর মাইনোরিটি এফেয়েরস মুখতার অভাস নকবিগসু উনখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লুন্দনা কোনরেদ সংমনা হায়খি, মেঘালয়াগী তুরাদা পি এ সংমা ষ্টেদিয়ম শান্নবা সেন্টরনা অচঙবা শেনফম থাদরকখিবগী মতাংদা ষ্টেটকী মীয়াম্না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টপু তৌবিমল খঙবা উৎলি। মেঘালয়াদা পেরামেদিকেল ষ্টাফকী ট্রেনিং সেন্টর অমা হাংদোকপগী ৰাফম সংমানা পুখৎখি।

# চাদা ২০গী চাংদা বোনস পীবিনবা এ সী এম এসনা তকশিনখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি):

অসামদা খ্বাইদগী চাওবা টি গার্দেন ৱর্করস য়ুনিয়ন ওইরিবা অসাম চা মজধুর সঙ্ঘ (এ সী এম এস)না হায়খ্রে মদুদি শিন্মীশিংদা পুজাগী বোনস ওইনা চাদা ২০ গী শেনফম পীগদবনি। দুর্গা পুজা কুম্ঝে য়ৌরক্কদবা চয়োল অহুল্লোম ৰাৎলিঙৈদা বোনসকী শেনফম শিন্মীশিংদা শিন্নগদবনি হায়নসু এ সী এম এসনা ফোঙদোকখি।

পেমেন্ট ওফ বোনস এক্ট ১৯৬৫ গী মতুং ইন্না টি গার্দেনগী ৱর্করশিংদা পীগদবা মিনিমম বোনস চাদা ৮.৩৩ নি। মেক্সিমম বোনসনা চাদা ২০ নি। নুমিৎ ৩০ নি হেন্না থবক তৌরক্লবা শিন্মী খুদিংমক্তা বোনস পীবা মথৌ তাই হায়রি।

এ সী এম এসকী জেনরেল সেক্রেটরি রুপেস গোৱালানা হায়খি, ৰাফম অসি অসাম ব্রাঞ্চ ইন্দয়ন টি এসোসিএসন, অসাম টি প্লান্টরস এসোসিএসন, নোর্থ ইষ্টর্ন টি এসোসিএসন, ভারতিয়া চা পরিষদ অমদি টি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াদা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রে। চহী খুদিংগী লৌখৎপা থৌরাং অমা ওইবনা হন্দক চহীগী ওইনসু দুর্গা পুজা মতমদা শিন্মীশিংগী বোনস মতম চান্না পীগদবনি হায়না এ সী এম এসনা তকশিনখি।

# এক্তিভ কেস খ্বাইদগী ৰাংবদা অসামনা ৭শুবদা লৈরে

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ১০ (এজেন্সি):

ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী এক্তিভ কেস খ্বাইদগী মশিং য়ান্নবদা অসাম্না তরেৎশুবদা লৈরে য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রন ফোঙদোকখ্রে। অসামদা হৌজিক এক্তিভ কেস ২৯,২০৬ লৈরি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, এক্তিভ কেস মশিং খ্বাইদগী য়ান্নবা ষ্টেটতি মহারাষ্ট্রনি। ষ্টেট অদুগী এক্তিভ কেস মশিং ২,৪৩,৮০৯ লৈ। কর্নাতাকাগী এক্তিভ কেস ৯৬,৯৩৭ অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকীনা ৯৬,৭৬৯ নি। ইন্দিয়াগী অপুনবা এক্তিভ কেস ৮,৯৭,৩৯৪ নি। ষ্টেট মঙা-মহারাষ্ট্র, কর্নাতাকা, অন্ধ্র প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ অমসুং টামিল নাদু পুশিল্লগা অপুনবা এক্তিভ কেস চাদা ৬১ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১,১১৫ শিখি।

মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা মহারাষ্ট্রনি। ষ্টেট অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৩৮০ শিখি। কর্নাতাকাদা মীওই ১৪৬ অমসুং টামিল নাদুদনা মীওই ৮৭ শিখি। ষ্টেট খরদা মী কা হেন্না শিখিবা তারবসু অনাবা মীওই ফগৎলকপগী চাং ৰাংখৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা নারুবদগী ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৭.৭৭ ওইরে। চয়োল খুদিংগী ওইনা নাবা ফগৎলপা মীগী মশিংসু হেনগৎলক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা সেম্পল লাখ ১১.৫ টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল ক্রোর ৫.১৮ টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, শ্রিজনাসোমনা গুৱাহাতিগী মেদিসিটি গ্রুপ ওফ ক্লিনিক এন্দ দাইগ্নোষ্টিক্সকা খুৎশম্নদুনা অসামগী মফম শীনবা থুংনা সেরোলোজিকেল সর্ভে পাঙথোকপা হৌখ্রে। ষ্টেট অসিগী করম-করম্বা মফমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেন্না ৰাংকৎলকপগে অমসুং ভাইরস অসিগী এন্টিবোদি য়াওবা মীওই কয়া য়াম্না লৈরবগে হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্স (আই সী এম আর)না পীবা গাইদলাইন মতুং ইন্না ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্নুনা কাঙলুপ মান্নদবা মীওইশিংদা সর্ভে চথুগদৌরি। সেপ্তেম্বর ১১ দা সোনিটপুরগী দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিদা ব্লদ সেম্পলশিং খোমজিন্দুনা সর্ভে তৌগদৌরি। থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা মীওইশিংবু প্লাজমা দোনেট তৌহনবদা মতেং ওইনরগনি।

চৈরকসিদা, অরুনাচল প্রদেশকী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৪৭ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ৫৫৪৫ য়ৌরে। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ষ্টেটকী দিরেক্তোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট ১৭ তা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস কয়ামরুম থেংনরে। ইটানগর কেপিটেল রিজনদা কেস খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখি।

## CROSSWORD-3557



**ACROSS**

1 Easily yielding to pressure (4)
3 Waterfall (8)
9 Open grassland in the USA (7)
10 Bestowed (5)
11 Relative magnitudes of two quantities (5)
12 Become smaller (6)
14 Academy awards (6)
16 Drinker's toast (6)
19 Natural tooth covering (6)
21 Vigilant (5)
24 Hunting dog (5)
25 Eminent (7)
26 Remiss (8)
27 Tool for cutting and shaping wood (4)

**DOWN**

1 Higher-ranking (8)
2 Banquet (5)
4 Relaxed (2,4)
5 Ire (5)
6 Make progress (7)
7 Very small (4)
8 Fervour (6)
13 So to speak (2,2,4)
15 Vanquish (7)
17 Card suit (6)
18 Aircraft (6)
20 Mannequin (5)
22 Receded (5)
23 Elegantly stylish (4)

**Solution 3556**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | R | T | I | N | G | | P | I | Q | U | E |
| Y | | I | | L | | R | | A | | U | | G |
| R | A | V | E | L | | E | S | T | U | A | R | Y |
| A | | E | | W | | E | | H | | R | | P |
| M | A | R | R | I | E | D | | S | T | R | U | T |
| I | | | | L | | Y | | | | E | | |
| D | O | U | B | L | E | | E | M | B | L | E | M |
| | | N | | | | A | | O | | | | A |
| D | R | I | L | L | | P | O | I | N | T | E | R |
| O | | C | | A | | L | | S | | E | | T |
| S | C | O | R | P | I | O | | T | O | A | D | Y |
| E | | R | | S | | M | | E | | S | | R |
| S | E | N | S | E | | B | O | N | K | E | R | S |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3356**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | | | | | 7 |
| | 5 | 9 | | | 8 | | 4 | 6 |
| | | | | | 1 | 9 | 8 | |
| | 8 | | | | | 7 | 9 | 3 |
| | | | | | | | | |
| 7 | 2 | 5 | | | | | 6 | |
| | 3 | 7 | 4 | | | | | |
| 2 | 6 | | 3 | | | 4 | 5 | |
| 5 | | | | | | | | 1 |

**Solution-3355**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 1 | 2 | 4 | 5 | 9 | 6 | 7 |
| 4 | 7 | 2 | 8 | 6 | 9 | 5 | 1 | 3 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 2 |
| 3 | 8 | 4 | 9 | 1 | 6 | 7 | 2 | 5 |
| 9 | 2 | 7 | 3 | 5 | 8 | 1 | 4 | 6 |
| 6 | 1 | 5 | 7 | 2 | 4 | 8 | 3 | 9 |
| 2 | 4 | 8 | 5 | 7 | 3 | 6 | 9 | 1 |
| 7 | 9 | 3 | 6 | 8 | 1 | 2 | 5 | 4 |
| 1 | 5 | 6 | 4 | 9 | 2 | 3 | 7 | 8 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

---

## ꯍꯥꯏꯖꯕ / হায়জবা

ইকাই খুম্নরবা Hon'ble Sir CM না লুচিংবা B.J.P led government গী মফমদা মতম শাংনা অৰাবা মায়োক্লরিবা 7th I.R.B./M.R verified waiting list candidates, ঐখোয়না নোল্লুক্লা হায়জরি মদুদি ঐখোয়না হৌজিক্কী Government অসিবু থাজে অমদি চহী হেল্লবা, থবক তৌবা য়াদ্রবা ঐখোয়বু অমুক্তং নুংশিবীয়ু অমদি অৰাবা খঙবীদুনা ঐখোয়গী পুন্সিবু কনবীয়ু হায়জরি।

হায়জরিবা : **Kh. Deepak Singh, Secretary**
**Th. Gopeshor, President**

HL-P/7519/11

---

## ꯏꯕꯨꯡꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ইবুংবু থাগৎচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশ্বরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীবদগী ঐহাক্কী য়েৎ থংবা নাকলগী কিদনিদা লৈরম্বা নুংশিং অদু হাপ্তা মরি চাবদগী লোইনা তাখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক ইবুংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

**Sd/- Yumnam Nomita Devi**
Meitram Makha Leikai

HL-P/7573/11

---

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, LILONG

**Mut. Case No.78/SDC/L/2020**

Gurumayum (O) Landhoni Devi, W/o. (L) G. Achou Sharma of Chaobok Arapti

-Vs-

Gurumayum Achou Sharma, S/o. (L) G. Ibochaoba Sharma of Chaobok Arapti

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Lilong the 9th September, 2020

Under Section 46(3) of MLR & ML 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Village No. 17-Chaobok Patta No. 17/133 (O), 17/213 (N) গী দাগ নং 6 & 9 গী এরিয়া মথংশিংনা .১৯৭০ অমসুং .০২১০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখরে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী নুপীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা এপ্লিকেসন তৌরক্লে। কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মখা তাবা ৰাকৎ লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/7514/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong**

---

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - (V)

**Ref :- Mutation Case No. 188/As & SO-(V)/2020**

Leimapokpam Gomti Devi, W/o. Leimapokpam Gyaneshwor Singh of Khurai Thangjam Leikai *-Petitioner*

-Vs-

Late Leimapokpam Swarbabu Singh, S/o. (L) Mani Singh @ Leimapokpam Gyaneshwor Singh of Khurai Thangjam Leikai

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dt. 10/09/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ২৫-সোইবম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ১৯২, ১৩৫, অনৌবা পাট্টা নং ৫৫৮, দাগ নং ৩০৪ এরিয়া .১০৫ চাওবা ইংখোলগী লম অসি পেটিসনরনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি খবর ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

*Sd/-* T. Hemjit Singh
HL-P/7516/11 Asst. Survey and Settelement Officer- (V)

---

### OFFICE OF THE MANIPUR MUNICIPALITY PROPERTY TAX BOARD

**Old Assembly Complex, Imphal**

**NOTICE**

Imphal, the 10th Setpt. 2020

**No. 4/1/2018-MMPTB:** This is notified for information to the general puplic that the Draft Manipur Municipalities (Property Tax) Rules, 2019 have been published in the Manipur Extra Ordinary Gazette on 24th August, 2020 and have also been uploaded in the official websites on MUDA (Manipur Urban Development Agency) www.muda.mn.gov.in. Objections and suggestions, if any, to the draft rules, may be addressed to the Principal Secretary (MAHUD), Government of Manipur on or before 20th September 2020.

*Sd/-* **M. Nando Singh**
Secretary
HL-P/7522/11 Manipur Municipality Property Tax Board

---

ꯗꯨꯇ꯭ꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
**DUTTA AYURVEDIC CLINIC** (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

*(অঙৌবা পকপা)*

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৰাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৰেৎ হন্থরক্লনি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্লনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোষ্থারক্লনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশং)*

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

*(নুপাগী প্রোব্লেম)*

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্বা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(নুপীগী প্রোব্লেম)*

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৰাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৰাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

ꯗꯨꯇ꯭ꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
**DUTTA AYURVEDIC CLINIC** (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10


কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
ইয়া ! থৌরিসে কক্লবদি চীংলাইসি লাংদা থুরনি।
ঈ ! কদোমদগী তাইবং মীনো সিদি।
ঙমতাৱানগী থাঙনা উতুপ পুল্লিবা থৌরিদু কক্লম্মী।